# কুমজা ২০২২ গী মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট ৪৫ দি ফংগনি হায়না থাজরি ঃ গাইখাঙম

ইম্ফাল,ওগষ্ট ০৪ (এস এন এস)ঃ

অন্দ্রো ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বূথ লেভেল কোংগ্রেস ৱার্করগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী টুলিহল অৱাং লৈকাইদা লৈবা অন্দ্রো ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এমদি অরীফ খানগী ময়ূমদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি) গী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সিট ৬০ লৈবগী মনুংদা লাক্কদবা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা সিট ৪৫ ফংগনি হায়না থাজে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পার্টি অমা মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বসি মখোঙদগী হৌনা হোৎনদ্রগদি ঙল্লোই হায়বা ৱাখল্লোনসিদা ঙসিগী বূথ লেভেল কোংগ্রেস ৱার্করগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা কোংগ্রেস পার্টিনা অহানবা ওইনা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপনি। এম পি সি সিনা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি ওল মণিপুর কোংগ্রেস কম্মিটিনসু শৌগৎলি। এ আই সিসিগী নৎত্রগা পিসি সিগী লেভেলদা চৎপগী মহুত্তা লুচিংবশিং অসিনা খুল খুলদা চৎতুনা ব্লোক লেভেলগী নৎত্রগা বূঠ লেভেলগী লুচিংবশিং উন্নদুনা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনসু তানবা চঙই।

কোংগ্রেস পার্টি নত্তনা লৈবাক অসি শেন্বা ঙল্লোই হায়বা ৱাখল্লোন অসি ঙসি মীয়ান্না ফোঙদোকপীরকপসি থাগৎনিঙাইনি। হৌখিবা লোক সভা মীখলদা এ সি অসিদা বি জে পিনা অরানবা মওংদা ভোট ফংনবা কন্না হোৎনরগসু কোংগ্রেস পার্টিনা ভোট ১০,০০০ গী ময়াদা ফংখিবা অসি পার্টি অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মসিনা লাক্কদবা মীখলদদি কোংগ্রেস পার্টিনা ভোট মশীং য়ান্না হেন্না ফংবা ঙমগনি হায়বসি থাজে। মসিগীদমক পার্টি অসিগী লুচিংবশিং পুকচেল তিন্ননা অমগা অমগা শন্নবা চঙই হায়খি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অমদি ষ্টেট লেভেলদা লৈবা লুচিংবশিংনা ব্লোক লেভেল অমদি বূঠ লেভেলদা লৈবা লুচিংবশিংদগী লাকপা ৱাকৎ, অপেন পেন্দা খুদিংমক ৱা ওইনা লৌরবা মতমদা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা ঙমগনি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লেভেলশিংগী অশোয়বা, অপাম–পামদা খুদিংমক পুন্না তান্নদুনা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়খি।

অমরোমদা হৌজিক ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসি নারোন্দা শেমখিবা লৈঙাকনি। সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক লৈ হায়দুনা ঙমই মতাগুম চংখিবা থৌওংনি। অদুবু অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি ইকুই কুইদনা জেনরেল ইলেক্সন তৌরগনি। মরম অদুনা এ সি অসি মীয়ান্না অফবা মীয়ামগী খনবা মীহুৎ খন্ননবা শেম শাসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোস্বামি, অন্দ্রো ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি মসিগী মখাদা লৈবা বূঠশিংগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

# মচাশিংবু হু পীজবা মমা কয়া লৈরিঃ শ্যামকুমার

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৪ (এস এন এস)ঃ

মমা ওইরিবীশিংনা ক্বা জর্দা য়াওনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়াওবা চিঙ্গাকশিং চাশিন থকচিল্লগা মচা ওইবশিংদা খোল্লাং পীথকপা হায়বসি মচাশিংবু নুংশিবা নত্তে। মচাশিংদা হু পীজবনি। অসিগুম্বা মমা কয়া লমদম অসিদা লৈরি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট অমসুং হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ব্রেষ্টফিদ্দিং প্রমোসন এলাইয়েন্স ওফ মণিপুরনা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রগা খূৎশম্নরগা থম্বালনু মার্কেট কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং ৱিক্কী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, মমা ওইবশিংনা মচাশিংবু খোল্লাং পীথক্লিবা অসি নুংশিবগী খুদম অমা ওইরিবনি।

লমদম অসিদদি মমা কয়ানা চিদা জর্দা অমসুং হিদাক মনা য়াওবা পোৎলম কয়া চাশিল্লগা মচাশিংবু মপুক পীথকপা কয়া তত্তনা থেংনরি। মমাগী খোল্লাং অসিদা অঙাংশিংবু লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা মচাক কয়া য়াওই হায়রবসু হিদাক মনা চাশিল্লগা মচাশিংদা মপুক পীথকপদি মচাশিংবু হু পীথকপনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হৌজিক্কী মতমদা মমা ওইবী কয়ানা মচাশিংবু নীংথিনা খোল্লাং পীথক্কুনা চাউনা য়োকপদা নত্তনা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোক্লবা থবক লৌখৎপগী মমি তাদ্রে। অঙাংশিংদা মমাগী খোল্লাংগী মহুত্তা কৌতাগী শঙ্গোম ওইনা পীথকপগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়খি।

মহাক্না হায়, মচাশিংবু খোল্লাং মপুক থন্না পীথক্লিংদবা মমাশিং অদু মমা ওইবদা মতিক চাদ্রবীনি। হৌজিক্কী মতমদা মমা ওইবী কয়ানা য়ুমদা হেল্পর থম্লগা মখোয়না মকে শেমদুনা লৈরগা অঙাং কপ্লকপা মতমদা হেল্পর কৌরগা কৌতাগী শঙ্গোম শেমহল্লগা পীথকপা মমা কয়া থোরক্লি। মখোয়শিং অদু মচা নুংশিবা খঙদ্রবীশিংনি। অঙাংশিংদা মমাগী খোল্লাং শোয়দনা পীথকহন্নবা খোঙজং অসি মায় পাকহনবা মতমদা মনেম মকু ওইরিবশিং, মমা ওইবীশিং, ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং পুন্না চংশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈগনি হায়খি।

মতম অমদা নুপী ওইবী কয়া ফৌ শুরম্মী, ৱাই তৈনরম্মী, ঈশিং হোন্নরম্মী। ঙসিদি ঈশিং হোনবগী মহুত্তা তেলিফোন তৌরগা ঈশিং গাড়ী কৌদ্রবদি লেম্নদবগী মওংদা লাক্লে। নুপী ওইরবদি চীন্দা ক্বা চাদ্রবা, ফৌ শুবগী মহুত্তা মিলদা তক্লদ্রবদি লেম্নদ্রবা লমদম অমগী মওংদা চংখরক্লি। খুন্নাই অসি মায়ওন অমা হোংদোক্লগা পুনবা হোৎনবদা নুপীশিংনা মাঙজিল থানা চংশিন্দুনা লাক্লিবনি। মচাশিংবু খোল্লাং শোয়দনা পীথকহন্নবা চঙশিল্লিক্লিবা খোঙজং অসিদসু নুপী ওইবীশিংনা থৌদাং লৌদুনা মসিবু মায় পাক্না চঙশিনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

মীওইবনা চাবা থকপা য়াই হায়দুনা খোমজিংলিবী মমা ওইবীশিংনা পংচাদা চাবা য়াবা নত্তে। ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমদা, লীলা দ্রামাগী থৌরমশিং সোসিয়েল মেদিয়াদা অপলোদ তৌবগুম্না ডোক্তরশিংনা পীবা অফবা পাউতাক কয়া অসিসু সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মদুনা খুন্নাই অসিবু অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদা মতেং পাঙগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা বিপামগী নেসনেল ত্রেনর ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রমনা হায়, নেসনেল ফেমিলি হেল্থ সর্ভেগী মতুংইন্না অঙাং উন্নরবা মতুংদা মমা ওইবীশিংনা পুং ১গী মনুংদা খোল্লাং পীথকপা অসি ইন্দিয়াদা চাদ ৬০ ওইরি।

মমা ওইবীশিংনা অঙাংশিংবু খোল্লাংখক্তা পীথকপগী চাং অসি মালেমগী ওইনা চাদ ৪০ ওইবা মতমদা ইন্দিয়াদা চাদ ৫৫ ওইরি। অদুবু মণিপুরদদি মসিগী চাং অসি চাদ ৭৩ ওইদুনা ইন্দিয়াগী এভরেজদগী চাং ৱাংনা চৎলি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মণিপুরদা অমদি ইন্দিয়াদা চাদ চাম্ম য়ৌহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

মসিগী পান্দম অসি ফংহন্নবা হোৎনবদা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া লৈঙাক্না পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার, লেজিসলেচরশিং, নুপী লূপশিং, মৈরা পায়বীশিং, মহৈরোই লূপশিং পুন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। মমাগী খোল্লাং পীথকপনা তুংগী অঙাংশিংবু মশা মউ ফন্না লৈহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইরিবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বিপামগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জিটেন্দ্র, বিপামগী পেট্রোন ডা. কে ঐচ চৌরজিৎ, বিপামগী নেসনেল ত্রেনর ডা. কে ঐচ রতনকুমার য়াওনা মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি।

## লাই য়েকপা চাংদম্নবগী অথোই অহেন লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৪ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিগী মীয়াম্না অমুবা লোনি হায়না খঙনরিবা অফসপা, ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়বগী ৱাকৎতা মশা মতোমদা মৈ থাদুনা শিজখিবা অথৌবা পেবম চিতরঞ্জনগী হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লাই য়েকপা চাংদম্নবা অমা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেলিজম এন্দ পেট্রিওটিজম হায়বা থিমদা মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন অমদি আর্টস সোসাইটি মণিপুর অনীনা পুন্না শীন্দুনা কৈশাম্পাৎ লাইব্রেম্বীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস ৮ তগী ১২ ফাওবদা লৈবা মহৈরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। ঙসিগী চংদম্নবা অদুগা মরী লৈননা এম এস এফ কী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মীলননা হায়, লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিনা পামজরম্বা লমদম অসিদগী ব্লেক লো লৌথোকপা হায়বা ৱাখল্লোন অসি ফঙদ্রিবা ফাওবা এম এস এফ না লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা হনবা লৈতনা থেংনগনি। চাংদম্নবা অসিগী মতেংনা হৌরক্লিবা মীরোল অসিদা তমথিবা লো অসিবু ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লগনি। লো অসিবু লৌথোকহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়বা অসিসু ময়েক শেংনা তাকপা ঙম্লগনি হায়খি। লোয়ননা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী ১৫ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা এম এস এফ না পাঙথোক্কদৌরিবা দিবেটিং কম্পিটিসন অমদি ওনলাইন ফোটো কম্পিটিসনদসু লমদম অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

## মণিপুর পীপলস বিল প্রসিদেন্টদা এসেন্ট পীবিয়ু হায়না তকশিল্লুনবা দিল্লিদা চৎলগনিঃ এম তোম্বী

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৪ (এস এন এস)ঃ

লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংবু কন্নবগীদমক্তা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুলাই ২৩ দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা মণিপুর পিপল বিল এসেন্ট পীবিনবা তকশিল্লুনবা মণিপুর দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (এম দি এ)গী মীহুৎ কাঙবু অমা হয়েং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি। ঙসি বাবুপরাদা লৈবা সিব সেনাগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর দেমোক্রেটিক এলায়েন্সকী কনভেনর এম তোম্বীনা পাউমীশিংদা হায়, কুমজা ২০১৮গী জুলাই ২৩ দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অদু হৌজিক ইনি দয়াগী প্রসিদেন্টকী খুত্তা লৈরিবনি।

মমাঙদা মণিপুর দেমোক্রেটিক এলায়েন্সনা প্রসিদেন্টতা বিল অসি এসেন্ট পীবিনবা তকশিনখিবা লৈখ্রে। মখা তানা হয়েং অমুক হন্না বি জে পি য়াওনা সিব সেনা, নেসনেল পিপল পার্টি, আম আদমী পার্টি, মণিপুর নেসনেল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট, মণিপুর পিপলস কাউন্সিল, পি দি এ, এল জে পি,এন পি এফকী মীহুৎশিংনা দিল্লিদা চত্তুনা প্রসিদেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিং উন্নদুনা বিল অসি এসেন্ট পীহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীনবা তকশিনলুগদৌরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর পিপলস বিল অসি লমদম অসিগী ওইনা তঙাইফদ্রবা বিল অমা ওইবগা লোয়ননা মসিনা য়েলহৌমীশিং কনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌবিরনি। বিল অসি এসেন্ট পীহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদনা চংই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙরাং পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা অমত্তা ওইনা পুন্না শরুক য়াখিবা অদুমক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। শাওনিংবা পেন্দবা কয়া লৈরবসু মদু পুম্নমক কাউথোক্লদুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক পুন্না কেবিনেট মীফম পাঙথোক্কুনা চাউখৎ থৌরাং অমসুং য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈনবা ৱারেপ কয়া লৌরকপা অসি থাগৎলি হায়খি। লমদম অসিদা হৌজিক অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরিবা ষ্টেন্দার্দ রোবার্ঠ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই নুপী মচা অমগী মীশি অসি অথুবা মতমদা থিদোকপীদুনা লৈঙাক্না অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

থৌদোক অদুগী মতাংদা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা এম দি এগী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি। ইশু অসিনা কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি খরনা নাকলদা লেপ্লগা লাওবগী মহুত্তা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না মখা তারি।

## ইন্টিগ্রিটি দে–হিংমীন্নরিবা খুদিংমক কাংলূপ নাইবা ৱাখল্লোন...

*লমায় ১গী মখা* ... মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমফুদা লৌশিনখিবদগী ইন্দিয়ানা মণিপুরবু হস্থনা য়েংবগী শকলোন কয়া লৌদুনা লাক্লি।

মসিদা নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা কাংলূপ ফুরুপ ময়াম অমগা অমগা খাইদোক্নদুনা লৈবাক অসি ঙাক্কুনা লৈরি। ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নমফুদা লৌশিনখিবগী ৱাফম অসিগী অচুম্বা অমা পুরক্কুনা মণিপুর মীয়াম তংদু লৈতানা হিংহনবা পাম্মি। লোয়ননা নাগালেন্দদা য়ুম্ফম ওইবা এন এস সি এন (আই এম) পু থেম্নবা হোৎনবদা ১৯৯৭ গী ওগষ্ট ১ দগী সিজ ফয়ার অমুক হৌরকখি। মসিগী মায়োক্তা লমদম অসিগী মীওই লাক্ষ ৫ হেনবনা কুমজা ১৯৯৭ গী ওগষ্ট ৪ দা মণিপুর কায়খিগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোন অসিদা রেল্লি চৎখি। রেল্লি অদুদা মীয়াম্না মণিপুরগী হান্নদগী লৈরল্লিবা শক্তম কায়বা য়ারোই, মণিপুরদা হিংমীন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্নদা হিংমীন্নগদবনি হায়বা ৱারেপ লৌখি।

মীয়ামগী ৱারেপ অসিবু থওইদনা কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ দা বেঙ্কোক্তা এন এস সি এন (আই এম) অমসুং ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা য়ান্না চেরোল অমা খূৎয়েক পীনখি। চেরোল অদুদা ৱিদাউট টেরিটৌরিয়েল লিমিট হায়বা ৱাহৈ অদু য়াওরকপদগী নাগালেন্দদা চৎনরম্বা সিজ ফয়ার মণিপুর য়ৌশিল্লকখি। মসিদগী মীয়াম্না মণিপুর কাইগদৌরে হায়না তেঙ্গন তেঙ্গনবা অকনবা খোঙজং চঙশিনবদগী ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টকী ফিরেপ হন্দোকখিবনি হায়খি।

মসিগী মতুংদা কুজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেম ৱাক এগ্রিমেন্ট অমুক লাকখি। এগ্রিমেন্ট অসিগী মনুংদা করি য়াওরি হায়বসি মীয়াম্না খঙদ্রি। অদুবু লমদম অসিদা থেংনরিবা ইসু খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা কাংলূপ অমত্তদা শোক্লোইদবা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়বসি মীয়ামগী অমদি অমুকোগী অপাম্বনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদৌরে হায়বা ৱাফম তারিবা অসিগা লোয়ননা মীয়াম্না করি ওইরক্কদগে হায়বসি মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবা মথৌ তাই। লৈঙাক অসিনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবসু চেপাউ পিরক্লে। মসি য়াম্না অফবরোমদা লাক্কনি হায়বসি থাজে। মতম শাংনা চংখরক্লিবা এন এস সি এন (আই এম) গী পিছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী ঙমখৈগী অপুনবগী শক্তম কাইরোইদবা ৱারোইশিন ওইগদবনি হায়সু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, কুকি ইনপি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কাইমাং চোংলোই, এ এম এম দি ও গী প্রসিদেন্ট ৱাই জাকির হুসেন অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট চন্দ্র হাওমৈসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ঙসি মীয়াম্না ইন্টিগ্রিটি পিল্লরদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

## স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ঃ চহী ৫ হেন্না নুঙ ফুৎপগা মান্ননা ...

*লমায় ১গী মখা*... অসি চংনদ্রিঙৈনা ৫ রোমগী মমাঙদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক হৌরম্লে। অদুবু ওর্দিনান্স অসি এক্টনা মহুৎ শিল্লবা ফাওবদা হোত্রোংহোনা নুঙ ফুৎপগা মান্ননা লৈরম্লে। মতাং স্বাইদা পনবা য়াবদি নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ওর্দিনান্স ২০১৮ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখিবা জুন ১ নুমিৎ অদুমক্তদা জনুৱারি থাদগী থবক হৌরে হায়রিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওলেম্পিক ভৱন ইম্ফালদা লৈবা রেজিষ্টার অমদি দিনগী ওফিসতা দেসামগী মশীং য়াল্লবা থৌমীশিংনা থোমজিন্দুনা পোৎ– চৈ থুগায়–খবা, থা খরা লৈরগা রেজিষ্টারসু ফম থাদোকখিবা। অদু করিদগীনো হায়বসিনি। ৱাহং অসিগী পাউখুম অমত্তা ঙসি ফাওবদি ফংদ্রি।

মমাঙ থা জুলাই ১১ দা লোক সভাদা ডা. আর কে রঞ্জন সিংহনা হংখিবা ৱাহং অমগী ইদুনা পীখিবা পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ইন্দিপেন্দেন্ট চাজ স্পোর্ট কিরন রেজিজুনা খঙহনখিবদি এন এস য়ু এক্ট ২০১৮ গী মতুং ইন্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিশিং হায়বদি কোর্ট এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল, একাদেমিক এন্দ এক্টিভিটিজ কাউন্সিল, বোর্দ ওফ স্পোর্টস ষ্টদিজ, ফাইনান্স কম্মিটিনচিংবা অমত্তা শেমদ্রি, য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরী (স্পোর্টস) বু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইন্টরিয়ম ভি সি (ভাইস চান্সেলার) ওইনা হাপখ্রে। প্রোফেসনেল কসল্টেন্সি নেক্নবা লেপ্নখ্রে, ইন্সপেক্সন রিপোর্টসু লৈতে হায়খি।

অতোপ্পা জুলাই ১ দা রাজ্য সভা (অপ্পর হাউস) তা হংখিবা ৱাহংগী ইদুনা পীখিবা পাউখুমদা, মণিপুরদা লিংগদৌরিবা অসি নত্তনা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমত্তা লৈবাক অসিদা লৈতে। য়ুনিভর্সিটি অসি হৌজিক অন্দর গ্রেজুয়েট দিগ্রী প্রোগ্রাম অনী অমসুং পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রী প্রোগ্রাম অমা চংখরি, মসিগীদমক কোচ দরকার ওইদ্রি। এন আই এস পটিয়ালা অমসুং এন এস য়ু মণিপুরনা কোচশিং শেমগৎনবা একাদেমিক প্রোগ্রাম কয়াদি চংখরি হায়নসু খঙহনখি।

মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টদা পীখিবা ৱাহংগী পাউ–খুম অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী তঙাইফদনা লৈফম থোকপশিংদু অমত্তা লৈরমদ্রে, মথিবোং য়াওরমদ্রে, ইন্টরিয়ম ভি সিগী তৌফম থোকপশিং তৌরমদ্রে, পার্লিয়ামেন্টনা শেমদুনা চৎনখ্রবা এক্ট ঙাক্না চৎত্রে হায়বদু য়ান্না ময়েক শেংলে।

কুমজা ২০১৪ দা পার্লিয়ামেন্টতা লাউথোকখিবা অমা ঙসি ২০১৯ য়ৌরবা ফাওবা মথিবোং অমত্তা য়াওরমদবা অসিমক্তি লমদম অসিগীতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খনবনি হায়নরক্লিবা অসিদি অচুম্বা ওইগনি। লৈবাক অসিগী অহানবা ওইগদৌরিবা য়ুনিভর্সিটি অসি মণিপুর নত্তবা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটতা লিংখৎনবা থৌরাং তৌরম্লবদি ফীভম অসি ওইরমদবসু য়াই। নোর্থ ইষ্ট হায়রগা থাগৎলগা টিকি পীজবগী মওংদা মণিপুরসু উবদৌনা তৌরিবসি ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টকী অশোনবনি হায়না লৌদবা য়ারোই।

কুমজা ২০১৪ দা মণিপুরদা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংগনি হায়না বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গর্ভর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবা মতম অদুদা মণিপুরদা কোংগ্রেসকী ওক্রম ইবোবী সিংহনা লুচিংবা গর্ভর্ণমেন্ট লৈখি। হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহসু মতম অদুদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইনা মচিন চৎনা ৱাঙাংলোই ওইখি।কুমজা ২০১৭ দা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙ ফাওবদি কোংগ্রেস সরকার লৈখিবনা রাজনীটিগী খুদোং চাবা লৌখিগনি মতাগুম্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী পো–কাঙখিবা মাল্লি। লমগী চয়েৎনবা লৈবনসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু ষ্টেটকী কোংগ্রেস গর্ভর্ণমেন্ট লৈত্রবা বি জে পিনা লুচিংবা গর্ভর্ণমেন্ট লৈরবা মতুং কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ১০ দা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৭ পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখিবা অদুমক্লসু রাজনীটিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি হায়বদু উবা ফংখি। মরম ওইরগা চহী ৬ রোম চঙলকখিবনি হায়বসিদা পেল্লোইদবা কনাসু লৈরোই।

হৌজিক্তি পার্টিগী খেন্নবা থমদনা ষ্টেটকী ঈজৎ ওইগদৌরিবা অমদি লৈবাক্কী লনসু ওইগদৌরিবা য়ুনিভর্সিটি অসি নুঙ ফুৎপগী মওংদা থম্বগী মহুত্তা চপ চানা মশক থোক্লবা থবক পায়খৎপা চুমগনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা মান্নবা গর্ভর্ণমেন্ট লৈরবনিনা থবক্কী খোঙজেল থুজিলহনসি।

## বেবিসনাগী মঙানি লৈহুনগী খোঙচৎতা ইরাং থোকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা*... রেল্লি অদু খোয়াথোং ত্রাফিক পোইন্ট য়ৌরকপদা মশিং য়াল্লবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা থৎপদগী কুইনা মুক্লখি। রেল্লি অদুদা শিজিন্নবা মাইকনচিংবা পুলিসনা মুল্লগা ফাজিনখি। রেল্লি অদু মখা তানা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল্লোমদা চংনবা হোৎনবা য়াদবদগী মীয়াম্না অদু মফমদুদগী মমাই লৈরগা হল্লক্লবা মতুং থাউ ক্লব থাংমৈবন্দদা মীফম অমা পাঙথোকখ। মীফম অদু লোয়শিল্লকপদা মহৈরোই লূপ এমসুগী মশিং য়াল্লবা থৌমীশিং পুল্লগা খোয়াথোং তম্না অমুক হন্না রেল্লি অমা চৎখি। খোয়াথোং ত্রাফিক পোইন্ট য়ৌরকপদা পুলিস পার্সোনেলশিংনা থৎপগা লোয়ননা মনিং পাংনা লম্ফেল্লোমদা চৎনবা খঙহনখি। অদুবু রেল্লি অদু নমদুনা নাগামপাল্লোমদা চৎপা হৌরকপদগী পুলিসকা মুক্লরকপদগী চাওনা ইরাং থোকপদগী পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি মোক বোম কয়া কাপ্পুনা তানখায়খি। থৌদোক অদুদা মহৈরোস মরি শোক্কুনা রাজ মেডিসিলদা পুখৎতুনা লায়কম্নখ্রবা মহৈরোই ৪ অদুদি লিলোং হাওরৈবীগী মহৈরোই খোঙজোম ফুন্দ্রেদগী অনজলি অপোকপী উরিরৈ, য়াইরিপোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মৈহরোই য়াইরিপোক তুলিহলদগী রোহিনা অপোকপা মুজিবুর, কুম্বী কোল্লেজগী মহৈরোই ৱাঙু তেরাখোঙদগী লৌরেম্বম সান্তিকুমার অপোকপা তোম্বা অমদি দি এম কোল্লেজ ওফ কম্মর্সকী মহৈরোই কুম্বীদগী খাঙেম্বম মলায়া অপোকপা ওকেন্দ্রোনি হায়রি।ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা এমসুগী থৌমী ৪ পুলিসনা ফাজিনখি অদুবু নুমিদাংদা থাদোরকখি।

অমরোমদা, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর পি ঐচ লন্ধোনি অমদি মহাক্কী মচানুপী করাম ওংবী রোমিতা পুলিসনা ফারগা দ্যুটি মাজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ মরীনি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি। ফারবা ফাউন্দর পি ঐচ লন্ধোনি মশাগী অনাবা অমা লৈবদগী জেনিমসকী সেকুরিটি ৱার্দতা থমখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমদনা, ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী জে এ সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা থাউ ক্লবকী শঙলেনদা মণিপুরগী সি এস ও, মহৈরোই লূপ অমদি ইমা লূপকী ওইবা জে এ সিগী মোনিটরিং কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# জে ইনা নাবদগী চহী ১৩ গী নুপীমচা অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ০৪ (এস এন এস)ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা মশাগী চহী ১৩ রোমতমক ঙাইরিবী নুপীমচা অমা জপানিজ ইন্সেফেলাইটিস (জে ই) না নাবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা ঙসি রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, নুপীমচা অদু হৌখিবা জুলাই ২৭ তা অরুম লাইহৌতৌই হায়দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। মফমদুদা লায়েংবদা খুদোং চারক্তবদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎখি অমসুং মফমদুদা ঈ চিংলগা চাংয়েং চংথবদা জপানিজ এন্সেফেলাইটিসনা নারে হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মরায়বক থিরবী নুপীমচা অদু ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা জুলাই থাদা মীওই ১১ জপানিজ ইন্সেফেলাইটিসনা নারে হায়না রিপোর্ট তৌরকখি। মসিগীসু মথক্তা মীওই অনীনা দেঙ্গি পোজিটিভ ওইরম্বসু থেংনখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সার্ভিসেসকী দিপার্টমেন্টনা জে ইনা নারে হায়না কনফার্ম তৌবা মফমশিংদা মখা তানা লায়না অসি শন্দোরক্কুনবা মেলেরিয়া রেপিট দাইগ্নোষ্টিক কেসনচিংবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী মথক্তা কাঙ হাৎনবা ফোগীংনচিংবা কাপথোকপনচিংবগী থবকশিং চংখরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, চহী অসিগী ওইনা মণিপুরদা জপানিজ ইন্সেফেলাইটিসন পোজিটিভ ওইবা মীওই ৯১ থেংনরে। মখোয়গী মনুংদা ৫ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই ৫ অদুগী মনুংদা অনীনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগীনি অদুগা অমমমনা ইম্ফাল ইষ্ট, সেনাপতি অমসুং কাংপোকপীদগীনি।

জে ইগী অনাবা লৈরে হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মনুংদা থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, বিষ্ণুপুর, চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, সেনাপতি, তামেংলোং, কাংপোকপী অমসুং উখ্রুলনি। লায়না অসিনা শোক্তবা দিষ্ট্রিক্ট ৪ লৈরি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৪ অদুদি কামজোং, নোনে, জিরিবাম অমসুং ফের্জোল দিষ্ট্রিক্টনি হায়রি।

মরক অসিদা মণিপুরদা হন্দক চহী অসিগী ওইনা কাঙনা শন্দাকপা দেঙ্গি লায়নানা নাবা মীওই ২৯ লৈরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীশি–মীনাগী পাউ লৈতে। দেঙ্গিনা নারবা মীওই ২৯ অদু উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, জিরিবাম, তামেংলোং অমসুং ফের্জোল দিষ্ট্রিক্টতগনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১০ গী মথক্তা জপানিজ ইন্সেফেলাইটিসনা নাবা য়াওরকপদগী মায়কৈ অদোমদা লৈবা মীয়াম মীপাইনরে। লৈঙাক্কী মেডিকেল দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা কাঙ হাৎননবা হিদাকশিং পাক শন্না কাপথোকপীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

## মহৈরোই বেবিসনা শিখিবগী লংলা লংজিন পুথোক্লবা পূক্নীং চঙবিরো ঃ কে ঐচ জয়কিষণ

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৪ (এস এন এস)ঃ

লৈঙাক পায়রিবশিংনা নপাক নপাক তান্নদুনা ফম মুন্নবগী ৱাথোক লোইরবিননা বেবিসনাগী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবদা মায় ওনশিনবিরো হায়না থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সষ্ট্যিুয়েন্সিগী এম এল এ জয়কিষণনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংমৈবন্দদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়, ষ্টেন্দর্দ রোবার্টকী বোর্দিংদা শিদুনা লৈরম্বী বেবিসনাগী ৱাথোক অসি শ্রাদ্ধ নুমিত্তা লোইশিনখিবগী ফিভমদা লৈরে। অসুক কুইরবা মতম অসি ফাওবা মহৈরোই অসিগী মতাং দা চপ চাবা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদনা লৈরি।

মীশি অসি সুসাইদ নত্তে হায়বগী খুদম চাংদম কয়া অমা লৈরবসু ঙসি ফাওবা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক্কী মচিন মেনবা ঙম্বা অকনবা মতিক ময়াই লৈবা মীওইশিং য়াওরব্রা হায়বা চিংনদবা ঙমদে। হিরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা অশেংবা অচুম্বা অদু পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীখিবসু লৈরবনি।

মরম অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা লৈরিবচিংনবা অমদি চমম্নবা অসি কোক্লবা মহৈরোইসিগী শ্রাদ্ধ নুমিৎতা চেন্নবা ফারে হায়দুনা লাওথোকপিয়ু হায়না এম এল এ না লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি।

নাকল অমরোমদা হৌজিক লমদম অসিদা জপানিজ এন্সেফলাইটিষ্টনা মরম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১১ লায়কন্নরি হায়বা ৱাফম অমা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপিয়ু। লায়না অসি পাক শন্না চেকশিন থৌরাং পায়খৎপিয়ু। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমদা মতেং পীজগে হায়না এম এল এ অসিনা মখা তানা হায়খি।

## লৈঙাক্কী স্কিমশিংগী কান্নবা ফঙদ্রে ঃ শিবচন্দ্র

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৪ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল মায়োন্দা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সষ্ট্যিুয়েন্সি অমা ওইরবসু লৈঙাক্না পীরিবা স্কিমশিংগী কান্নবদি কৈশামথোং এস সি গী মীয়াম্না নিংথিনা ফঙবা ঙমদ্রে হায়না মমাঙগী ইলেক্সনদা এ সি অসিদা বি জে পি গী মীহুৎ ওইখিবা আর কে শিবচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা এ সি অসিগী মীওই অয়াম্বা নফসাগী কার্দ অমদি হেলঠ কার্দনচিংবা অমত্তা ফঙদ্রে হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিনখ্রে। ঙসি কৈশামথোং এ সি গী মনুং চন্না খাগেমপল্লিগী অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্না, ঈশিং ঈচাওদগী ঙাকথোক্লবগী ৱাখল্লোন্দা ৱাইশেল মরিলগা শম্নবা মিটর ২০০ রোম শাংবা লৈখোম লৈনাং, ফৎতা হাওদিনা ফুম্জি ল্লবা দ্রেনেজশিং শেংবগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, কন্সষ্ট্যিুয়েন্সি অসিগী মমাঙদা লৈরম্বা এম এল এ অমদি হৌজিক লৈরিবা এম এল এ অসিনা অমনা অমদা তাইশিন্দুনা লৈরিঙৈ এ সি অসিগী লম্বী অমত্তা চৎপা য়াদ্রে। লোয়ননা মীয়ামগী ফঙফম থোকপা স্কিমশিংগী কান্নবা ফঙবা ঙমদনা লৈরিবা অসি ফঙহন্নবা হোৎগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## গাড়ী হুরানবা গেঙ খূৎপু অমা গাড়ীগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৪(এস এন এস)ঃ

গারী হুরানবা অহুম মখোয়না হুরাল্লকপা গারী অহুমগা কোন্ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা ফারে।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা ফারবা গারী হুরানবশিং অদু পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোক্লদুনা এদিস্নেল এস পি (ওপ্স) থাংখোচোন হাওকিপনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্যামগৈ এরিয়াদা চিংননিঙাই ওইবা মীওই খরা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ঙসি অয়ুক ৬.৩০ রোম তাবা মতমদ ফংখি। পাউ অদুগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হুম্বা চংথবদা গারী হুরানবা গেঙ খূৎপু অমগী মীওই মরি মখোয়না হুরাল্লকপা গারীগা কোন্ননা ফাবা ঙমখি।

ফারবশিং অদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল মোইজিং নোংপোক লৈকাইদগী থৌবালময়ুম সদাম হুইসেন এলাইজ সদাম (১৯) অপোকপা টিঐচ তোম্বা, লিলোং চিংখা দাম মখা লৈকাইদগী এম দি ইন্তিয়াস খান (১৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অজিট সাহ, লিলোং খুনৌদগী এম দি জিয়াওর রহমন এলাইজ রোহিট অমদি লিলোং চিঙ্গোইদগী এম দি ৱাহিদনি।

মখোয় মরিগী মনুংদা সদাম হুইসেন হান্না ফাবদগী মহাক্না হায়দোরকপদগী অতৈ মীওইশিং অদু কাঞ্চিপুর এম য়ুগী গেট মনাক্কী ওতোরিক্সো পার্কিংদগী ফাবনি হায়রি। মখোয়দগী ফংবা গারীশিং অদুদি হুন্দাই আই ত্বেন্টি কার অমা অমদি হোন্দা এক্টিভা অনী অমগনি। ফারবশিং ৱাহং পাউহং তৌবদা মখোয়না গারীশিং অদু নোংমানীনিগী মমাঙদা খুরাই অমদি ৱাহেং লৈকাইগী মফমশিংদগী হুরাল্লকপনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়খি।

## হীরম কয়াদা মাওপুংকোং ভিলেজতা লৈঙাকলোনগী ...

*লমায় ১গী মখা* ...গারীগী খুদোংচাবা অমদি গারী ভরাগী মমল য়ান্না ৱাংবনা তোয়না চৎপা ঙম্নদে। সেনাপতি ফাওবা গারী তোংদুনা চৎপদা মী অমদা গারী ভারা লুপা ১২০ লৌই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা খুঙ্গাশিংনা ৱারিবশিং অসি উবিরগা তঙাইফদনা প্রাইমারি হেলঠ সব সেন্টরগুম্বা অমা থমহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, খুল অসিগী খুঙ্গা অয়াম্বনা ইঙ্গ্রাং নমা মশিং, আলু থাবা অমদি পামলৌ উবনা খুঙ্গাশিংগী হিংনবগী পাম্বৈ ওইরি। অসুম্না ৱানা খুঙ্গাশিংনা শু নোমদুনা হিংলিবসিদা মতেং খরদং ওইনবা মতম মতমগী লৈঙাক্কী স্কিম কয়াগী কান্নবা খুঙ্গাশিংনা অমত্তা ফঙদে। অনা লায়েংদা পীবা চীফ মিনিষ্টর অমদি অয়ুসমান ভারতকী কার্দশিং খুঙ্গাশিংসু পায়নিংই অদুবু মরী লৈনবা মীওইশিংনা ফংনবগী লম্বী ফজনা তাকপীনবা লৈতবনা খুঙ্গা অয়াম্বনা ফংদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

মাওপোংদোং খুলগী চিয়ারমেন এস সাইনীনা হায়, খুল অসিদা খুন্দারিবা অসি মাও জাতি ঙাক্তনি। মাও জাতিশিং অসিনা মাগী মাগী হিংবা ঙম্নবা কন্না শু নোমদুনা মচাশিং লাইহরিক অমহন্নবা হোৎনরি। অদুবু খুল অসি মহৈ তম্ফম মতিক চাবা অমত্তা লৈতবনা মরাম নৎত্রগা সেনাপতিদা ৱানা লাইহরিক অমহনবা থানরি। ফিভম অসিদা অসুক কুইনা খুল অসিগী খুঙ্গাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি মতম মতমগী লৈঙাক্লোন লাক্লবসু অহোংবা অমত্তা লাক্ত্রি হায়না ফোঙদোকখি।

সেনাপতি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চিয়ারমেন এন কাপানীনা পাউ চে অসিদা হায়, খুল অসিগী খুঙ্গাশিং অসি অনাবা য়াওরক্লবসু লায়েংবা চৎপদা খুদোংচাদবগী লায়েংদনা ফবা ঙাইবা অমদি হেনজিন্না নারক্লবা মতমদা ইম্ফালদা লায়েংবা চৎপদা অনাবা অরুবসু য়াওরম্বগী অৱাবা কয়া থেংনরিবনি। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মখাদা লৈবনা দিসপেন্সরি অসি অপগ্রেদ তৌবা ঙমদ্রি। লোয়ননা খুল অসিদা লৈরিবা প্রাইমারি স্কুল অসিসু অপ্পর প্রাইমারি স্কুল ওন্নবা প্রপোজেল থাখিবদি লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগা ৱারী ...

*লমায় ১গী মখা* ... চংখরিবা ইন্দো নাগা পোলিটিকেল নেগোসিয়েসন অসি ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়রি।

চৈরক অসিদা এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চংখরিবা ৱারী অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মতম মতমগী ওইনা য়েংশিন্নবা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা শেমখিবা কন্সলটেটিক গ্রুপকী মীফম অমা হয়েং ওগষ্ট ৫ গী পুং ৫ দা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোক্লবা কৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী এন জিওফ্রিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না মীফম অসিদা মণিপুরগী মপুং ওইবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমুকো , য়ু সি এম অমদি হেরিকোনগী মীহুৎ মরী মঙা য়াওনা খঙহল্লি।

মীফম অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

## কন্ট্রেক্ট লেকচররশিংগী খোঙজং লাক্কদৌরি

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৪ (এস এন এস)ঃ

হৌখিবা ২০১৮ দা লৌখিবা কন্ট্রেক্ট লেকচররগী ফল লাওথোক্তনা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা ওল মণিপুর গর্ভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি কন্ট্রেক্ট লেকচররস দি পি সি ফেসেদ কেন্দিদেট এসোসিয়েসন ২০১৮ না সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং অমা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা লৈবা য়াইফ থৌনি শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা লূপ অসিগী সেক্রেটরী অকোইজম রোমিওনা হায়, মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীফমদা লৈঙাক্না কন্ট্রেক্ট লেকচরর দি পি সি গী ফল লাওথোক্কনি হায়খ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপিদ্রে। অদু ওইনমক অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগী ওইনদি ফল লোয়না লাওথোকখ্রবনি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক লৌখিবা আই আর বিগী ফল অদুখক্তমক লাওথোক্কদবতা ঙাইরে হায়খি।

## এস টি চলহনবা...

*লমায় ১গী মখা* গর্ভর্ণমেন্টকী ত্রাইবেল এফিয়াস মিনিষ্ট্রিনা দিমান্দ কম্মিটিগী প্রোফেসার ৱাই মোহেন্দ্র সিংহদা ইরকপা ৱারোল অমদা মহাক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকপগা লোয়ননা থবক পূন্নমক অসি মোদেলিটিশিং অসিগী মতুং ইন্না পায়খৎকদবা ওইবনা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টকা তান্ননবা খঙহল্লক্লি।